সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল ওইখিবা মেমোরেন্দমগী ৱাহৈ খরগী মতাংদা এম এম টি য়ুনা শেংদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : মমাং চহীগী মে থাদা মতম অদুগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরদা নুমিৎ হুম্নিগী খোঙচৎ লাকপদা মীতৈ (মৈতৈ) ত্রাইব য়ুনিয়ন (এম এম টি য়ু) না পীশিনখিবা চেনা ৭ পানবা মেমোরেন্দম অদুগী মনুংদা শুপ্পনতগী অহানবা লমায়দা ইবা ৱাহৌদোক অদুগী শরুক মচেৎ অমখক স্ক্রিন শোর্ট লৌরগা সোসল মীদিয়াদা থাগৎতুনা ভাইরেল ওইহল্লক্লিবা অসিনা লূপ অসিবু লান্না উহনবদা নত্তনা মীয়াম চমম্নহল্লে হায়রি।

এম এম টি য়ুগী প্রসিদেন্ট সলাম গৌরাকিশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা হায়, চেনা ৭ পানবা মেমোরেন্দম অদুগী মনুংদা মরুওইবা পোইন্ট ইরিবা চেনা ৬ অদু লোৎশিল্লগা মথক্তা ইরিবা ৱাহৈদুদং সোসল মীদিয়াদা থাগৎতুনা লূপ অসি লান্না উহন্নবা হোৎনরক্লিবা অসি লাইবক থীবনি।

সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকখিবা "Government of India under the British colonial recognized the Meetei (Meitei) community as a tribe of the Kuki-Chin group of the Tibeto-Burman family" অমদি "The said Linguistic Survey Identities Meitei as a tribe of the group of kuki-chin tribes to the Tibeto-Burman family and it gives a detailed analysis of the languages spoken by all kuki-chin tribes including Meitei tribe" হায়বা সেন্টেন্স অনী অসি হাইলাইট তৌরগা সোসল মীদিয়াদা থাগৎলকপনি। মসি বৃটিশকী মতমদা ইরম্বা লিঙ্গ্যুষ্টিক সর্ভে ওফ ইন্দিয়া ভোল্যুম থ্রিদা য়াওবা শরুক অমনি।

মদুদগী এম এম টি য়ুনা রিফরেন্স ওইনা শিজিন্নবনি। মীতৈনা সেদ্যুল ত্রাইম লিষ্টকী মনুং চন্নবা চংশিল্লিবা খোঙজংশিং অসিগী শরুক অমা ওইনা শিজিন্নবা পাম্বৈ অমা ওইনা অরিবা লাইরিক কয়া পারগা নৈনদুনা কান্নবা মচাকশিং লৌথোক্তুনা মতম মতমগী ওইনা শিজিন্নবনি। মসিগী শরুক অমা ওইনা লাইরিক কয়াদগী রিফরেন্স লৌদুনা তোঙান তোঙানবা কান্নরবা দাটাশিং মপুং ফানা মফম মতম চানা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জবনি।

মেমোরেন্দম অদুগী মনুংগী লমায়শিংদা মীতৈ অমদি কুকি তোঙান তোঙানবা ফুরুপনি অমদি মীতৈনা মণিপুরী লোল ঙাঙবা কাংলুপনি হায়না ইরি। অদুগা কুকিনা মপান্দগী চংলকপা কাংলুপ অমনি হায়না মচা খায়না পল্লি। হেন্না মমুৎ তানা খঙনিংলবদি মেমোরেন্দম অদুগী লেমহৌবা পেজশিং এম এম টি য়ু গী ওফিসতা লাক্লগা য়েংলবা য়াগনি হায়রি।

মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম য়েংশিন্দুনা তংদু লৈতানা লৈহল্লু ঃ চন্দ্রকুমার

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহুল্লক শুবা ওইনা লৈঙাক পায়রবনিনা লমদমসিদা হৌজিক থোক্লিবা মণিপুরগী লাল অসি য়েংশিনবীদুনা তংদু লৈতানা লৈবা লমদম অমা ওইহল্লু হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ফাউন্দর মেম্বর অসেম চন্দ্রকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্লা মখা তানা হায়, কুমজা ১৯৮৪ দগী হৌনা বি জে পিগী থবক থৌরম খুদিংমক্তা শরুক য়াদুনা মতম কুইনদগী পার্টি অসিগীদমক চাওখৎনবা ঐহাক্লা থবক তৌদুনা লাক্লি।

মণিপুরদা কুমজা ২০২৩ গী মে ৩ দগী চথরক্লিবা কাংলুপ অনীগী ইরাং অসি চহী ১ হেল্লে। ইরাং অসিদা মীওইবগী পূন্সি কয়া লোমখ্রে। য়ুম-কৈ কয়া মাঙ তাকখিবদা নত্তনা মৈতৈ ফুরুপকী অরুবা লাইফমলেন কয়া অমসু মরু ফংনা মুথুৎনবগীদমক মৈ থাদোক্তুনা অমাং-অতা থোকহনখ্রে।

থৌওংশিং অসি মতম চানা লোয়শিলহৌদবনা খোয়শাওনরবা মীয়াম্না বি জে পিবু পরা অমা তন্বীগে হায়বগী মতাগুম মশাগী অপান্বা কেন্দিদেটতা ভোট থাদবদগী হন্দক পাঙথোকখিবা ১৮ শুবা লোক সভা মীখলদা কোংগ্রেসনা চাউনা মায় পাকপা ঙমখিবনি। অদুবু মায়থিবা নংলবসু নিংহন্নবা তৌদনা পূক্নিং থৌগৎতুনা লাক্লি।

লোক সভা মীখলদা মায় পাক্তুনা অহুল্লক শুবা ওইনা নরেন্দ্র মোদিনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইবগী ৱাশক লৌখ্রবনিনা মণিপুরদা অমুক হন্না লাক্তুনা লমদমসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম য়েংশিনবীদুনা চহী অমা হেল্লবা লাল অসি লোইশিনবীনবা হোৎনবীয়ু।

থোক্লিবা ইরাং অসিদা মীহাৎ মীপুনগী থবক চথুরিবা মরাল লৈবা মীওইশিং লৈঙাক্লা লোগী ওইবা থবকশিং পায়খৎতুনা অহকপা চৈরাক পীগদবনি। থোকহন্নিংদবা থৌদোক কয়া অসি লেপ্পা লৈতনা থোক্লকপা তারগদি মণিপুর খুন্নাই নোংম-নোংমদি মাঙখিগনি। খুন্নাই অসিগী হান্নগী তংদু লৈতাবা ঈং-চিকপা পূন্সি অদু অমুক হঞ্জিনহনবীয়ু হায়খি।

নুমিৎ ৫ নি চথরকখিবা উ চারা থাবগী থৌরম লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : ৱিমেন দিভেলপমেন্ট কম্মিটি হৈরোক্কী থৌমীশিংনা ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগা মরী লৈননা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা চথরকখিবা তুরেল খোঙবান শেংবা অমদি উ চারা থাবগী থবক হৈরোক পার্ট-টু মনিং লৈকায়না কোনবা মফমশিংগী হৈরোক ৱাংজিং তুরেল তোর্বান শেংদোকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা তুরেলগী অকোয়বশিং লূ-নান্না শেংদোকপগী থৌরমগা মরী লৈননা হ্যুমেন দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী সেক্রেটরি নিংথৌজম ওংবী প্রেমিলা (সুনিতা) না হায়খিবদা মমাং চহীদগী হৌনা কম্মিটি অসিনা নোংমাইজিং খুদিংগী লম-তূ শেংদোক্তুনা লাক্লি। হন্দক চহীগী ৱর্ল্ড এনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা কম্মিটি অসিনা উ চারা কয়া তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থাখ্রে।

খুল অসিদা চেল্লিবা তুরেল অসিগী তোর্বানশিং তরু-তনান্না থম্নবগী পান্দমদা তোর্বানশিংদা চাইদুনা লৈরিবা ফত্ত-হাউদিশিং শেংদোক্তুনা ঈশিংদগী পোক্লকপা লায়না-তিন্নাশিং থোক্লক্তনবসু হোৎনখি।

মালেমদা নোংমা কাংদনা শাবগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা শকখঙদবা লায়না-তিন্না কয়া পোক্লক্তুনা মীওই কয়াগী পূন্সি লমখাংদা মাঙহল্লি। অসিগুম্বা খুদোংথিবা কয়া অসি ঐখোয় মীওইবনা উমং কয়া কোকথোকপদা নত্তনা অকোয়বদা লৈরিবা ঈশিং মোৎশিল্লকপদগীনি। অসিগুম্বা খুদোংথিরবা কয়া অসি থোক্তনবা ঐখোয় পুম্নমক্লা উমং য়োকখৎতুনা থম্বা মথৌ তাই। উপাল থাজিন্দুনা কায়থরক্লিবা অকোয়বগী ফিভম অসি ঙাক্তুনা থম্ননবা ঐখোয় খুদিংমক্লা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯖꯨꯟ ꯱꯰ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

ꯑꯦꯝ/ꯑꯦꯁ ꯏ.ꯕꯤ.ꯑꯦꯁ. ꯕ꯭ꯔꯤꯛ ꯐꯤꯜꯗ

M/S E.B.S. BRICK FIELD

HEIROK PART II GATE PALLI ROAD

GSTIN: 14GZZPS0829FIZR

CLASS	RATE	NO. OF BRICK	AMOUNT
1st	12.50	2000	25,000
		3000	37,500
2nd	12.00	2000	24,000
		3000	36,000
P.T.	11.00	2000	22,000
		3000	33,000
1st Reject	10.50	2000	21,000
		3000	31,500
Zamat	9.50	2000	19,000
		3000	28,500
3rd Selection	8.00	2000	16,000
		3000	24,000

Contact : 9856310240
9233788135

HL-B/8 June to 7 July

কে টি ও ভিনা ঈচাওনা অৱাবা তারবশিংদা তেঙবাংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : কোম ত্রাইব ওর্গনাইজেসন (ভেল্লি) না ঈশিং ঈচাওনা শোকহল্লবা নমদুলোং কবুইশিংদা রিলিফকী পোৎলমশিং মতেং পাংখ্রে হায়না ওর্গনাইজেসন অসিগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি কে দেবিদ কোমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা ২০২৩ গী মে ৩ দগী য়েলহৌমী ইরৈচাশিংগী মথক্তা মীতোপ্পা লান্দারকপদগী অৱা মায়োক্লদুনা লৈরিবা চৈরক অসিদা সাইক্লোন রিমালগী চৈথেংনা ঈশিং ঈচাও থোকহন্দুনা লমদমসিগী মীওই কয়া অমা তোঙান তোঙানবা মখলগী অৱা-চৈথেং নংলি। অৱাবা নংলিবা ঈরৈচাশিংগী অৱাবদা শরুক য়াবা ওইনা ঙসিগী তেঙবাং পোৎলম অসি খুৎশিন্নজবনি। কবুই অমদি কোম ত্রাইব অনীমক মতম শাংনদগী ইপা-ইপু, মচিন-মনাও ওইদুনা লাকপনি হায়বসি মতম পুম্বদা কাওরোইদনি।

ইরমদম অসিদা ইপা-ইপুনা য়েক সলাইগী ঈ মরী মশক থোক্লা থন্বীরম্বগী কাংলোন অসিমক ঐখোয় য়েক সলাইচা ওইরিবা পুম্নমক্লা নিংশিংদুনা ইকায়খুম্নসি।

লমদম অসিদা থোক্লিবা চহী হেল্লবা ইরাং অসি পাল্লিবা লৈঙাক্লা অথুবা মতমদা লমদম অসিগী হান্নগী তংদু লৈতাবা পুন্সি অদু পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

ৱারী লীবগী সেমিনার লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : সঙ্গিট নাটক একাদেমি, রবিন্দ্র ভাবন ন্যু দেল্লিগী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ৯ দগী সোসল এন্দ কলচরেল এদভান্সমেন্ট ফাউন্দেসন খুরাই থৌদাম লৈকায়না শিন্দুনা চথরকখিবা 'টু দে সেমিনার ওন ৱারী লীবা (ষ্টোরি টেল্লিং)' ঙসি লাইনিংথৌ অহানবা হোল, খুরাই চিঙাংবম লৈকায়দা লোয়শিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে হায়না ফাউন্দেসন অসিগী সেক্রেটরি টিঐচ রাজেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌরম অসিদা পটাঞ্জলি কিষান সেভা মণিপুর, মণিপুর ষ্টেটকী প্রসিদেন্ট থোঙাম শ্যামা খাবা ঙানবা, ফাউন্দেসন অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট থৌদাম ইবুংঙোবী, সংশুম কলচরেল একাদেমি য়ুরেম্বম ময়ায় লৈকায়গী প্রসিদেন্ট রিমা কবুইনি অমদি সোসল ৱার্কর নিংথৌজম সুনিতানা মথংশিংনা অথোইবা মীথুং, থৌরম মপু অমদি অখন্ননা লেংবীরকপা ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

ফিশরিগী সবসিদি থিংজিল্লম্বদু হন্দোক্লে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সোসাইটি ২৯ গী ফিশরিগী সবসিদি থাদোকপগী অথিংবা থল্লম্বা অদু ঙসিদগী হন্দোক্লে হায়না ককচিং দিষ্ট্রিক্ট সেকমাইজিন খুনৌগী সেকমাইজিন জি পি এল এম পি সি এস লিমিটেদকী ফোর্মর প্রসিদেন্ট কোন্থৌজম মনিহারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোক্লদুনা মহাক্লা হায়, নেসনেল কো-ওপরেটিভ দিভেলপমেন্ট কো-ওপরেসন (এন সি দি সি) না তম্পাক্কী দিষ্ট্রিক্ট থৌবাল য়াওদনা ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী সোসাইটি ২৯ গী ঙামীশিংদা থাদগদবা সবসিদিশিং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সি ও অমদি ফ্রন্ট লাইনদা লৈরিবা হিরম অসিগী মতাংদা চেল্লিবা মীওইশিংনা মপুং ওইবা তৌফম থোকপা থবকশিং তৌদবদগী থিংজিনখিবনি। মসিগী মতাংদা রেজিষ্টার ওফ কোওপরেটিভ সোসাইটি (আর সি এস) না মতম চানা থবকসিদা য়েংশিনবীরকপা অমদি মপুং ওইনা সোসাইটিগী মরুওইবা অহল খরনা অচৌবা থৌদাং লৌবীরকপদগী সবসিদি থাদোকপগী অথিংবা থল্লম্বা অদু য়ানবা পুরকখিবনি।

ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী লৈরিবা সোসাইটি ২৯ বু এম এস সি বি বেঙ্কতা এফিলিয়েসন তৌবগা লোয়ননা শিয়র থম্বা, থবক ওইনা তৌদবশিং থবক তৌহনবা হায়বসিদা য়ানবা পুরকপদগী দিষ্ট্রিক্ট অসিগী সবসিদি থাদোকপগী অথিংবা অদু হন্দোকখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

[illegible]

ꯏꯝꯐꯥꯜ, ꯖꯨꯟ ꯱꯰ (ꯑꯦꯆ ꯑꯦꯟ ꯑꯦꯁ): [illegible]

[illegible]/EMPLOYMENT NEWS

1. BSF Recruitment 2024 Apply Online, Notification | 363 Various Vacancies
BSF Recruitment 2024 Free Job Alert Notification listed in the page. Border Security Force (BSF) recruits eligible Indian Citizens for selection of Constable, Head Constable, Sub Inspector and other higher police posts. The selection will be made through Examination, Physical Test and Interview. The BSF is border guarding organization under the Ministry of Home Affairs, Government of India.
BSF Group A Recruitment 2024: Online applications are invited from eligible male and female Indian citizens for the recruitment of Group 'A' (Gazetted Non-Ministerial) (Combatised) posts in the Border Security Force (BSF). Apply within days from the date of the BSF advertisement in the Government Employment newspaper published in the 18th May 2024 issue.
* Candidates are advised to login to BSF Recruitment Portal i.e. **https://rectt.bsf.gov.in** to view full detailed notification and for submission of online application forms. The last date for acceptance of application will be 30 days from the date of advertisement in Employment newspaper. The last date for submission of applications is **24/06/2024**.

……

2. UPSC Advertisement No.10/2024: 312 Vacancies, Notification, Apply Online
UPSC Advertisement Number 10/2024 - Vacancy Notification for 312 Various Posts: The Union Public Service Commission (UPSC) is inviting online applications for the recruitment of Deputy Superintending Archaeologist, Civil Hydrographic Officer, Specialist Grade III Assistant Professor, Assistant Director, and Training Officer positions in various Departments/Ministries/Institutes of the Government of India. Eligible candidates should apply online through the UPSC Online Recruitment Application (ORA) Portal at upsconline.nic.in starting from May 25th, 2024. The closing date for registration of online applications, as per UPSC Advt No. 10/2024, is **13th June 2024**.
* Eligible Candidates can apply online only through the website : **https://upsconline.nic.in/ora/VacancyNoticePub.php**

……

3. TNPSC CTS Recruitment 2024: 118 Vacancies, Notification, Apply Online
TNPSC Combined Technical Services Examination 2024 Interview Posts: The Tamil Nadu Public Service Commission (TNPSC) invites online applications from eligible candidates for direct recruitment of Assistant Director, Assistant Manager, College Director and Senior Officer positions for filling up total 118 vacancies. Eligible persons apply for TNPSC Interview posts 2024 through Online mode using TNPSC Exams Portal @tnpscexams.in on or before closing date 14th June 2024.
* To Apply for TNPSC Combined Technical Service Exam 2024, eligible candidates should apply online through TNPSC Exams Portal (**aaply.tnpscexams.in**).
* The last date for registration of online applications is **14/06/2024** up to **11:59** PM.

……

4. Gujarat High Court Recruitment 2024: 1318 Vacancies, Notification, NTA Application Form
Gujarat High Court Recruitment 2024 Free job alert notifications for both fresher and experienced Indian citizens. The High Court of Gujarat has released these notifications on the official website gujarathighcourt.nic.in or ghcrec.ntaonline.in. Matric/10+2 pass, law graduates, and diploma/degree holders can find recent High Court of Gujarat recruitment and current job openings on this page. Gujarat High Court job vacancies include Legal Assistant, District Judge, Civil Judge, Court Assistant, Cashier, Assistant, Court Attendant/Office Attendant, etc.
* The last date for registration of online application is **15/06/2024** up to 23:59 Hours.
* Eligible Interested candidates should apply online through High Court of Gujarat Recruitment 2024 – National Testing Agency Online Portal (**ghcrec.ntaonline.in**).

……

5. IBPS CRP RRB XIII Recruitment 2024 Notification Out [9000+ Posts], Apply Online from 7th June 2024
IBPS RRB XIII 2024 Notification Out, Apply Online form 7th June 2024 to 27th June 2024. Institute of Banking Personnel Selection (IBPS) will conduct the IBPS RRB XIII 2024 Common Recruitment Process examination for the selection of Banking Group "A" Officers (Scale-I, II & III) and Banking Group "B" Office Assistant (Multipurpose) positions to be filled in Nodal Regional Rural Banks (RRBs).
The IBPS RRB XIII 2024 Online Form registration will be conducted through the IBPS Online Portal ibpsonline.ibps.in from 7th June to 27th June 2024. The IBPS CRP RRB XIII Exam is tentatively scheduled to be held in August and September 2024.
* Eligible Graduates who are willing to apply for IBPS RRB XIII 2024, Apply online through the IBPS Online Application Portal (**www.ibps.in**) starting from 7th June 2024. The last date for registration of online applications is **27/06/2024** up to Midnight.

ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯑꯣ ꯀꯥꯔꯇꯨꯟ/মরোল খোকপা লাই



মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয়শিং পূক্নিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১০ (ঐচ এন এস) : ৱাংজিং গ্রাম পঞ্চায়ট অপুনবা ক্লব ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা পঞ্চায়ট অসিনা কোনবা মফমশিংদগী হন্দক বোসেম অমসুং কোসেমনা লৌবা ক্লাস টেন, টুয়েল্বকী এগজামিনেসনদা মায় পাক্লক্লবা মহৈরোয়শিং মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অমা ৱাংজিং হোদাম্বা ময়াই লৈকায়দা লৈবা ৱাংজিং লাকপা ইনিংথৌগী লাইকোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱাংজিং গ্রাম পঞ্চায়টকী চিয়রপার্সন তেকচম বিমোলনা অথোইবা মীথুং, ওর্গনাইজেসন অসিগী প্রসিদেন্ট সুরচান্দ সলাম মৈতৈনা থৌরম মপু ওইনা শরুক য়াখি। থৌরমগী মনুং চন্না মমাং চহীগী মে ৩ দগী থোক্লকখিবা ফুরুপ অনীগী উংখৎনবা অসিদা ইরমদম অসিগী অপুনবগী শক্তম অমদি ঙমখৈ কন্ননবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা মীতৈ ফুরুপকী অথৌবা অথৌবীশিংগী মফমদা মিনট ২ তুমিন্না লেপ্পুনা ইকায়খুম্নবা উৎখি।

মহৈরোয়শিংবু পূক্নিং থৌগৎপগী থৌরম অদুদা রিছোর্স পার্সন ওইনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লিঙ্গ্যুষ্টিক এন্দ মণিপুর লিটরেচর দিপার্টমেন্টকী এসোসিয়েট প্রোফেসর ডা. নাওরেম সনাতোম্বনা শরুক য়াবগা লোয়ননা মহৈরোয়শিং, মমা-মপাশিংদা পুন্সিদা মতৌ করম্না মায় পাক্কদগে হায়বগী মরমদা ৱাফম কয়া থমখি।

হোৎনবা য়াওদনা পূন্সিদা মায় পাকপা খক পুরকপা ঙম্লোই। অৱাবা য়াওদনা নুংঙাইবা অদুদি অশেংবা নুংঙাইবা নত্তে। মহৈরোয়শিংনা মতমবু লিক্না শিজিন্নদুনা পূন্সিদু মায় পাকপা মীওই অমা ওইননবা হোৎনগদবনি।

মহৈরোয়শিংনা অফবা লম্বীদা চংদুনা থবক তৌবা তারবদি লমদম অসিদা তুংলমচৎতা অফবা খুন্নাই অমা হায়বদু ওইগদৌরিবনি। হৌগৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংনা ফৎত্রবদা খুন্নাইসু ফরোই হায়খি।

CROSSWORD-4159



ACROSS
1. Easily yielding to pressure(4)
3. Waterfall(8)
9. Open grassland in the USA(7)
10. Bestowed(5)
11. Relative magnitudes of two quantities(5)
12. Become smaller(6)
14. Academy awards(6)
16. Drinker's toast(6)
19. Natural tooth covering(6)
21. Vigilant(5)
24. Hunting dog(5)
25. Eminent(7)
26. Remiss(8)
27. Tool for cutting and shaping wood-(4)

DOWN
1. Higher-ranking(8)
2. Banquet(5)
4. Relaxed(2,4)
5. Ire(5)
6. Make progress(7)
7. Very small(4)
8. Fervour(6)
13. So to speak(2,2,4)
15. Vanquish(7)
17. Card suit(6)
18. Aircraft(6)
20. Mannequin(5)
22. Receded(5)
23. Elegantly stylish(4)

Solution of 4221

P	A	R	T	I	N	G	■	P	I	Q	U	E
Y	■	I	■	L	■	R	■	A	■	U	■	G
R	A	V	E	L	■	E	S	T	U	A	R	Y
A	■	E	■	W	■	E	■	H	■	R	■	P
M	A	R	R	I	E	D	■	S	T	R	U	T
I	■	■	■	L	■	Y	■	■	■	E	■	■
D	O	U	B	L	E	■	E	M	B	L	E	M
■	■	N	■	■	■	A	■	O	■	■	■	A
D	R	I	L	L	■	P	O	I	N	T	E	R
O	■	C	■	A	■	L	■	S	■	E	■	T
S	C	O	R	P	I	O	■	T	O	A	D	Y
E	■	R	■	S	■	M	■	E	■	S	■	R
S	E	N	S	E	■	B	O	N	K	E	R	S

HUEIYEN SUDOKU

Hueiyen Sudoku-5520

6								7
	5	9			8		4	6
					1	9	8	
	8					7	9	3
7	2	5					6	
	3	7	4					
2	6		3			4	5	
5								1

Solution of 5519

8	3	1	2	4	5	9	6	7
4	7	2	8	6	9	5	1	3
5	6	9	1	3	7	4	8	2
3	8	4	9	1	6	7	2	5
9	2	7	3	5	8	1	4	6
6	1	5	7	2	4	8	3	9
2	4	8	5	7	3	6	9	1
7	9	3	6	8	1	2	5	4
1	5	6	4	9	2	3	7	8

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers

ৱারী মমিং :
নুমিৎ কাপ্পা

পুয়া ৱারী লীবশিংগী ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা

য়েকথোকপা :
সেমসন সলাম


তাওহুইরেং সনা অহনদু কংলা কানবা হোবে-হোবে লাক্লম্মী।
থুমনখিবনা নুংশিৎকি মাং থাদুনা শগোল থৌরক্লম্মী।
নিংথৌসে লাকপগী শগোল মখোল তারে, চেকসিন ফিরেপ্পা লৈরগে।